ফ্রি আই কেম্প

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
লাইয়ন্স আই হোস্পিটাল এন্দ সার্ভিসেস ট্রষ্টনা শিন্দুনা মার্চ থা অসিগী অহানবা ফ্রি আই কিয়র কেম্প এয়রপোর্ট রোদকী সগাইপ্রৌদা লৈবা লাইয়ন্স সার্ভিস সেন্টর ওফ লাইয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালদা ডিষ্ট্রিক্টতা ব্লাইনেস কন্ট্রোল সোসাইটি ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
এম ও বি সি ডিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ৱকফ বোর্দকী অনৌবা চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসর অমা এম সি এস ওফিসর ওইনা হাপ্পকপবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু পাঙল ষ্টুডেন্টস ওর্গনাইজেসন মণিপুর অমসুং ওল মণিপুর মুস্লিম ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুডেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও) নসু এম ও বি সি ডিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ৱকফ বোর্দকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর অমা ওইনা নৌনা এম সি এস ওফিসর অমা হাপ্পকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মাদ্রাসা মোর্দন্নাইজেসন স্কিমগী মখাদা মহৈ-মশিংগী কাঙলোনদা মতম শাংনা ৱারক্লবা ওজাশিংগী খনবীদুনা মমাংগী লৈঙাক্কী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রবা অমদি লিগুলরাইজ তৌরম্লবা ওজাশিংগী এপোইনমেন্ট ওর্দর পীথোকপীয়ু হায়রি।

য়ুথ লিদরসিপ ক্লাস

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেডরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল (এ ৱাই এ এফ) অমসুং লিলোং লোকল কাউন্সিল অনিনা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ওর্গনাইজেসন এন্দ য়ুথ ডিভলপমেন্ট ক্লাস অমা ঙরাং কালৈখোং বেসিক ইংলিস স্কুল লিলোংদা পাঙথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা রিসোর্স পার্সন কয়ানা শরুক য়াদুনা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

খোঙজং চঙশিনগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবম্না থোকপা চেরোল অমনা মমাং থাগী ২৮ দা রমরৈ সিংলাইনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চৎনখিবা অদুগী খন্ন নৈনবা মীফম অমা মার্চ ৭ তা পাঙথোকপীনবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর গবর্ণমেন্ট সার্ভিস ফেদরেসন্না হায়রক্লি। ৭ শুবা পে চৎনহন্দুনা নিংথিনা শঙতাইনবা লৈত্রিবা মখে লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর ষ্টেট অসিবু অনৌবা অওনবা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা এম ও বি সিবু মাংলোমদা পুখৎনবা হোৎনবদা এম সি এস ওফিসর অমবু ৱকফ বোর্দকী সি ই ও ওইনা হাপ্পকপগা লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্কনসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌদুনা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে। কিরন মোইরাংচাবু প্রসিডেন্ট, নয়াজবু জেনরেল সেক্রেটরি, টি ঐচ রঞ্জনবু ফাইনান্স সেক্রেটরি, টি ঐচ জয়কুমারবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি খনখ্রে।

য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
কাঙচুপ-ফয়েং-কদাংবন-শিংদানচিংবদা চেনবা মেজিক অমদি ওটোরিক্সো ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসনা গবর্ণমেন্টকী অয়াবা চেয়াওদনা গাড়ি অতোংমন হান্নদগী হেনগৎলকপবু রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। অথুবা মতমদা মায়কৈ অসিগী মীয়ামগী খনবীদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি হন্দোকপীয়ু হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা আপীল তৌরক্লি।

ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা হেড ওফিসতা লৈবদা ১১ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। হেন্ডি য়ুথস এন্দ হেন্ডি সোসাইটি হায়বা টোপিক্তা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা খন্ন নৈনবগী মীফম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা অর্জুন তেলহৈবা প্রসিডেন্ট এ এম ৱাই পি সি ও, এ কে মেমচা প্রসিডেন্ট কে এ দল্লিয়ু দল্লিয়ু এ, এম পুর্ণিমাসি প্রসিডেন্ট চিতুৱা, এম রাকেস জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ আর দি মণিপুর অমসুং জিতেন্দ্র নিংঙোম্বা প্রসিডেন্ট য়ু এন এ সি এস য়ুনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

এন সি ডি সিগী ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনসু শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
লৈখিদ্রবা লক্ষমন রাও ইনামদারগী মীংদা হৌদোকখিবা নেসনল কোওপরেটিব ডিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন সি ডি সি) গী ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম থা অসিগী ২৮ দা হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা লৈবা ট্রেনিং ওফ পার্সোনেল ইন কোওপরেটিব ইন্সটিট্যুট (টিওপিক) দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী সোসল ৱেলফিয়র অমসুং কো ওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা কো ওপরেসনগী খুৎথাংদা মণিপুর চাওখৎনবা হোৎনবদা তেংবাংবীনবা অমসুং মীয়াম্না মপুং ফানা শরুক য়াবিরনবা পুন্নমক্কী চিংশিনখি। নেসনেল লেভেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইনা অপগ্রেদ তৌরবা মতুংদা লক্ষমন রাও ইনামদার একাদেমী ফোর কোওপরেটিব ষ্টডিস এন্দ হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ট হায়না অমুক হন্না মমিং থোন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিনা কো ওপরেটিভগী মীওইশিংবু হেন্না পাকথোক চাওথোকপা অৱাংবা মওংদা কোপাসিটি বিল্ডিং শাগৎনবা হোৎনগনি। পাউমীশিংগা উন্নবদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না হায়খি, কোওপরেটিবকী ঈহৌ অমসুং ষ্টেট অসিদা অমুক হন্না হিংগৎহন্দুনা চৎহনবা ঙল্লবদি মীয়ামগী খুন্নাইগী অমদি শেল-থুমগী ফিভম হেন্না চাওখৎলক্কী অমসুং ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফিভমদা চাওনা থৌদাং য়ারকপা ঙমগনি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিগী কোওপরেটিব সেক্টর চাওখৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

শান্না য়েংবা মীৎয়েংগা লোয়ননা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগী ভিজনদি লৈবাক অসিদা কোওপরেটিবকী ঈহৌ হিংগৎহনবনি। মণিপুরসু মায় পাক্না কোওপরেটিবকী ঈহৌ হিংগৎহন্নবনি অমসুং কোওপরেটিবকী ঈহৌ মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনসি। মরম অসিনা মীয়াম্না কোওপরেসনদা শরুক য়ান্নবা আপীলসু তৌখি। আর এস এসকী চীফ ডা: মোহন ভগৱদসু শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর এগ্রিকলচর এন্দ কোওপরেসন রাধামোহন সিংহ, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পঞ্চায়তি রাজ এগ্রিকলচর এন্দ ফারর্মস ৱেলফিসর পরসোতম রুপুলা অমসুং হরিয়ানগী চীফ মিনিষ্টর মনোহরলাল গতা-নচিংবনা শরুক য়াখি। নিংশিংবা য়াবদি লৈখিদ্রবা লক্ষমন রাও ইনামদার অসি লৈবাক অসিদা কো ওপরে-টিবকী ঈহৌ শাগৎপদা মাংজিং থাবা লুচিংবা অমা ওইখি অমসুং শক্লাইরবা সোসল ৱেলফিয়র অমসুং কোওপরেটিবকী ফাউন্দরনি।

নো য়োর এ আর কেম্পেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
হেড ক্বাটর ৯ সেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা ২৬ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নো য়োর অসাম রাইফলস কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ৱেপন ডিসপ্লে থৌবাল সি ও বিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অঙাংশিংগী মরক্তা এডভেঞ্চরগী ৱাখল্লোন লৈহন্নবা খুৎশু-খুৎলাইশিং পায়হন্দুনা মিনি ডেমোন্সট্রেসন অমসু পাঙথোকখি। কেম্পেন অদুগী শরুক অমা ওইনা কেরিয়র গাইদেন্স সেল অমসু লিংখৎখি। থৌবালগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোই ৬০০ রোম্না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা কেরিয়র ওইনা অসাম রাইফলসনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা নোলেজ অমসুং গাইদেন্স লৈহন্নবা হোৎনখি। মহৈরোইশিংনা থৱাই য়াওনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওইনা ২৬ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী য়ুনিটনা ইম্ফাল অমসুং থৌবালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়াওশং কুম্হৈগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে। ১৫ অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বটালিয়ন্নসু য়াওশং কুম্হৈগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। শওমবুং কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শিন্দুনা চীংঙারেন দা লৈবা নহাশিংগী ওইবা রন ফোর ফন পাঙথোকখি। লমজেল অদুদা পূন্না অঙাং ২৫ না শরুক য়াখি। পৌরাবী ভিলেজগী প্রধান অমসুং রিটয়র সুবেদার মেজর সোনাইম্বনা ৱিন্নরশিংদা প্রাইজ য়েন্থোকখি। চীংমৈরোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা অঙাংশিংগী গেম কয়া পাঙথোকখি। স্পেুন রেজ, বোরা লমজেলনচিংবা পাঙথোক্তুনা অঙাংশিংদা শান্ন-খোইনবদা অথোই-অহেনবগী ৱাখল্লোন অহানবা ওইনা পোকহনখি। য়াওশং কুম্হৈ হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা হনুমান টোপ কম্পেনি ওপরেটিং বেজকী পার্সোনেলশিংনা নোংপোক ককচিংদা লৈবা ওল এজ হোমদা চৎতুনা হোম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি অমসুং মন্ত্রিপুখ্রি কম্পেনি ওপরেটিং বেজগী পার্সোনেলশিংনা কর্মেল জ্যোতি ওর্ফান এজ লুৱাংশাংবমদা লৈবা অদুদা চৎতুনা অঙাংশিংগা উন্নখি। ওল এজ হোমদা লৈরম্বা অহল ওইরবা মীওইশিংনা অসাম রাইফলসকী কাঙবুশিংদা য়াইফ থৌজাল পীখি হায়রি।

২৬ অসাম রাইফলসকী থৌবাল বটালিয়ন্না হৈরোক পার্ট ৱানদা ফ্রেনলি ফুটবোল মেটচ অমা পাঙথোকখি। থৌবালদা য়াওশং কুম্হৈ অসিগা মরী লৈননা রুমেন ইনকম জেনরেসন সেন্টরগা লোয়ননা শিন্দুনা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি। অঙাংশিং অমসুং মফম অদুদা লৈরম্বা অহল ওইরবা মীওইশিংগা মচুগী কুম্হৈ পাঙথোকখি।

৯ সেক্টরগী য়ুনিটশিংদসু শান্ন খোৎনবা অমসুং নাৎকী ওইবা থবক থৌরম কয়াশিং কুম্হৈ অসিগী মনুংদা মফম অদুগা নহাশিং অমসুং অহলশিংগা পূন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৬ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা সেক্যুরিটি মিট অমা অন্দ্রো কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা পাঙথোকখ্রে। কাউসিল্লরশিং, য়ুথ ক্লবকী মেম্বরশিং অমসুং মৈরা পাইবীশিং য়াওনা অন্দ্রোগী মীওই ৪২ রোমনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। য়াওশং কুম্হৈ ঈং-তপ্পা পাঙথোক্লবা অমসুং ঈং-তপ্পা অমত্তা ওইবগী থৌওংশিং লৈহন্নবা লোয়ননা পান্দমদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা ৱাফম কয়াসু খন্ন নৈনখি। হৌজিক লৈরিবা সেক্যুরিটিশিং অসিগী মতাংদসু নৈনখি হায়রি।

লিটর ফ্লাৱর স্কুলগী স্পোর্টস ডে লোইশিনবগী থৌরম ঙসি অয়ুক পাঙথোকখ্রে, থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্বেসন অমসুং টাউন প্লানিং মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, ৫ এ জে এ কে রাইফলসকী কম্মান্দীং ওফিসর কর্নেল অমিৎ বেদিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদু তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি অমসুং স্কুল অদুগী মহৈরোইশিংগী মার্স পাস চৎখ্রবা অমতুং সার্টিফিকেট অমসুং ট্রেফিনচিংবা য়েন্থোকখি হায়রি।

‘লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না লেপ্পা লৈতনা চথরক্লিবা কেম্পেন ফোর টোটল এডুকেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং এমসু ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি অরামবম বিকাসকী লিচিং মখাদা বাসিখোং মাইমোম লৈকাইদা লৈবা পান্থোইবী হায়র স্কুল (এদেদ) তা য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা হায়রিবা স্কুল অসি মতমগা চান্নদ্রবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি লৈফম থোকপা স্কুল অমগী মচাক-মরল শুনা লৈতবা থেংনরকখি। তঙাইফদনা লৈফম থোকপা মহৈরোইশিংগী মিদ ডে মিল চাং নাইনা ফংদবগা লোয়ননা টোইলেট তৌবগী খুদোংচাবা মফম লৈহৌদবা থেংনরকখি। মমাং চহিগী মার্চ/এপ্রিল থাদগী শাবা হৌখিবা কিটচন হৌজিক ফাওবা শাবা লোইদনা থন্বীরি। ঈশিং-ঈচাউগী মতমদা ঈশিং থুমজিন্দুনা শিজিন্নবা য়াদনা লৈরিবা ক্লাসরুমশিং ঙসিফাওবা গবর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবিদনা থন্বীরি। স্কুল অদুদা মহৈ তন্লিবা মহৈরোইশিং লাইরিক-লাইশু হৈনবগীদমক খল্লগা য়াম্না অৱাবা ফিভম অমদা লাইরিক তমহৌরি হায়রি। নোংম নোংমগী গবর্ণমেন্টকী স্কুল কয়া মরাই চাইথরক্লিবা অসি অসিগুম্বা মরম কয়া লৈবননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহৈরোই খুন্নাই অমদি মীয়ামগীদমক্তা য়াইফনবা লৈরিবা এমসুনা অসিগুম্বা থৌওং অসিবু য়েংদুনা তুমীন্না লৈথোক্লোই, মরম অদুনা অথুবা মতমদা স্কুল অসিবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চীংশিল্লক্লি।

অমরোমদা এমসু ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি নৌনা মমাং থাগী ২৬ তা ৱাবগাই লমখাই কৈথেলদা লৈবা থৌবাল ইমাগী ওফিসতা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

এমসু হেড ক্বাটরগী জেনরেল সেক্রেটরি অনিল সোইবম অমসুং ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি লাইশ্রম অথৌবা মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। লোয়ননা থিঙুজম কিরনবু প্রসিডেন্ট, টিঐচ সুসিলকুমারবু জেনরেল সেক্রেটরি, এম ঔপাবু ফাইনান্স সেক্রেটরি খনখ্রে হায়রি।

বি ভি সাইন্স, এ ঐচ ডিগ্রি কোর্স তম্নবগী চাংয়েং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা বি ভি সাইন্স অমসুং এ ঐচ ডিগ্রি কোর্স তম্নবা ষ্টেট নোমিনি একাদেমী সেসন ২০১৮-১৯ গী খন্নবগীদমক লাক্লিবা মে ৬ তা এন ই ই টি (য়ু জি) ২০১৮ সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এডুকেসন মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোইশিংগী ফোর্ম সবমিসন ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসনগী খুখাংদা তৌবগী অরোয়বা নুমিৎ মার্চ ৯ দা ওইগনি হায়রি।

ভেটিরিনেরি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানসু নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট (য়ুম জি)-২০১৮ (এন ই টি) য়ু জি (২০১৮) কী মেরিট লিষ্টতা ক্বালিফাইট ওইরবশিংনা একাদেমীক সেসন ২০১৮-১৯ গী বি ভি সাইন্স অমসুং এ ঐচ ডিগ্রি কোর্স ওল ইন্দিয়াগী ওইনা চাদা ১৫ গী ক্বাটা মেনশিনগনি হায়না ভেটিরিনেরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস গবর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়াওশং কুম্হৈ নুমিৎ নিনি থাবল, চোংবনা নুমিৎ মঙানিদগী হেনগুমসি: লিপুল

ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচ এন এস): লিগ ওফ ইন্দিজেনস পিপলস অপলিফটমেন্ট (লিপুল) না য়াওশংগী হৌরকফম অমদি মসিনা পীবা চৈথেং হায়বা হীরমদা কুমজা ২০১২ গী মার্চ ২৬ তা পাঙথোকখিবা খন্ন নৈনবা মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না ৱাফম খরা ফোঙদোরক্লি।

লিপুনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু সুনিলনা থোকপা চেরাল অমনা হায়, মতম অমদা মনিং তম্বা লৈপাক অমা ওইনা মতিক-ময়াই লৈনা পাল্লম্বা ঈরৈপাক ঈরমদম অসিনা নোংমা নোংমগী লৈখা তারকপগী মরম নৈনরকপদা য়াওশং কুম্হৈ অমদি মসিসগা মরী লৈননা অথিংবা লৈতনা কাঙলোনগী ৱাংমদা পাঙথোক্লিবা থাবল চোংবগী থৌরম অসিসু অচৌবা মরম অমা ওইরি। মরম অসিনা লিপুলনা য়াওশং কুম্হৈ অসি নুমিৎ নিনি খক্তমক পাঙথোক্লগা থাবল চোংবগী থৌরমনা নুমিৎ ৫ দগী হেন্দনবা কুমজা ২০১২ দগী হৌরগা খোঙজং লেপ্তনা চথরক্লি।

খুন্নাই অমা কাইথরকপা-মুৎলকপা হায়বসি মায়কৈদা লাকপা তোঙান তোঙানবা শাফু শিংনা ওইহনখিবনি হায়বা মাঙখিবা খুন্নাইগী পুৱারীনা য়াম্না ময়েক শেংনা তাক্লি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা খুদারিবা মোংগোলোইদশিংগী খুন্নাইগী শক্তম, চৎনবী অমসুং য়েলহৌরোলশিংসু মাংলক্লি। মসিগী মনুংদা চহি লিশিং ২ গী মথক্তা মনিং তম্না পাল্লম্বা কাঙলুপ ৪০ হেন্না তারিবা মণিপুরী খুন্নাই অসিসু ইনিদয়ানা লৌশিনখিবদগী মীতোপ্না য়োৎশিল্লকপা, মীচম-মীয়ামগী পুন্সিবু তেমশিংনবা অফস্পা অমসুং খুন্নাই অসিগী লৈঙাক্না চৎনবী, চৎনকাংলোনসু কাইথরক্তুনা খুন্নাই অসি মুৎহনবদা অচৌবা মচাক ওইরি। হৌখিবা চহি কয়া অসিদা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিবু অচুম্বনি হায়না লৌবীদুনা শৌগৎলিবা মীওইশিং অমদি লুপশিংবু লিপুলনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মরম অসিনা লৈপাক মীয়ামদা থম্নিংবা ৱাফমদি য়াওশংগী অতোংবা অমসুং অমাংবশিং অদু নৈনবিদুনা য়াওশংবু নুমিৎ নিনিদা তেনশিনবা অমদি থাবল চোংবনা নুমিৎ ৫ দগী হেন্দবা লোয়ননা ঔগ্রি হঙ্গেন চোংবগী চৎনবী হায়রবদু কায়হন্দবা হায়বদু ঙাকমীন্নসি হায়রি।

কাদানা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
কোলিসন এগেন্স দ্রগ এন্দ অলকোহল জিরিবা ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা য়াওশং কুম্হৈগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা ঈং-তপ্পা অমসুং পূন্না নুংশি চান্ননা লৈমীন্নবা ওইরসনু হায়রি।

য়াওশং কুম্হৈ মনুংদা ময়াই কাবা চিঙাক নহা ওইরিবা মীওইশিংনা শিজিন্নদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা কাদা জিরিবা ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসন-শিং অমসুং মৈরা পাইবীশিংদা কাদানা দ্রাগকী মায়োক্তা দ্রাইভ চথরিবা অমসুং নহা ওইরিবা মীরোলবু ময়াই কাবা দ্রগতগী কন্নবা হোৎনরিবা অসিদা তেংবাংবীনবা আপীল তৌরক্লি।

ভর্মি কম্পোষ্ট প্রদক্সনগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
আই সি এ আর-কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরনা শিন্দুনা ট্রাইবেল সব প্লান্টকী মখাদা ভরমিকমপোষ্ট প্রদক্সন ফোর ফর্টিলিটি সন্টেনেবিলিটি এন্দ হায়র ক্রোপ য়িল ফোর সোসিও ইকোনোমিক অপলিপমেন্ট ফোর রুরেল ফারর্মস ইন হিল্লি ডিষ্ট্রিক্ট চুড়াচান্দপুর হায়বা হীরম অসিদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম ঙসি চুড়াচান্দপুর কে ভি কেগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চুড়াচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টকী লৌমী ২৯ না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা আই সি এ আর আর সি ফোর এন ই ঐচ রিজন নরেন্দ্র প্রকাসনা চীফ গেষ্ট, ডিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর ইন চার্জ এম গিনজানলিয়ান্না গেষ্ট ওফ ওনর, ডা: পি কে শরাশ্বাৎ সেনিয়র সাইন্টিষ্ট এন্দ হেড কে ভি কে তমেংলোং, ডা: এম এ অনসারি সাইন্টিষ্ট এগ্রোনোমি স্পেসল গেষ্ট, ডা: নিরনজন লাল সেনিয়র সাইন্টিষ্ট এন্দ হেড কে ভি কে চুড়াচান্দপুরনা প্রসিডেন্ট ওইখি।

প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগা লোয়ননা এক্সটেন্সন হোল্ডর অনি- গোভা প্রদক্সন এন্দ ভরমি কমপোষ্টিং : রিসাইক্লিং ৱেষ্টেস ইনটু ভেলুএবল ওর্গানিক ফর্টিলাইজর হায়বসি ফোঙখি। ভরমি বেদশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা য়েন্থোকখি। প্রোগ্রাম অসিগা লোয়ননা টেক্নিকেল ওইবা সেসন অমসু পাঙথোকখি। মদুদা ডা: আর কে রোসন এস এম এস হোর্টিকলচরনা এন ওভর ভিয়ু ওফ ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম হায়বসিদা লেকচর পীখি অমসুং এল বাসিল ফার্ম মেনেজরনা ভর্মি কমপোষ্টিংগী ট্রেনিং কম ডেমেন্সেট্রেসন পাঙথোকখি।

ট্রাফিক রুল ঙাক্না গাড়ি থৌদবশিং ফাইন থিহনগনি: টি ঐচ দেশ্বরজিৎ

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী লমচিং মখাদা ককচিং ডিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা ট্রাফিক রুলশিং ঙাক্না চৎনবা য়েংশিনবগা লোয়ননা ট্রাফিক রুলগী ৱাংমদা গাড়ি থৌবশিং ফাইন থিহল্লগনি হায়না ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী এস ডি পি ও ঐচ দেশ্বরজিৎ এম পি এসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা দেশ্বরজিৎনা মখা তানা হায়খি, ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট ট্রাফিক পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্ট ২০০৮ কী মখাদা পরম কায়না গাড়ি থৌরকপশিং ফাদুনা ফাইন থিহন্নবা ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী মফম ৯ দা ট্রাফিক পুলিসনা চেক তৌগনি। ককচিং লমখাই, ককচিং কৈথেল, ৱাবগাই লমখাই, সেকমাইজিন, লাংমৈদোং কৈথেল, ৱাইখোং কৈথেল, উমাথেল লমখাই, ৱাঙু লমখাই অমসুং সুগুনু কৈথেলদা চেক তৌগনি। এস ডি পি ওশিং অমসুং ও সিশিং য়াওনা দ্রাইভ অসি চঙশিনগদবনি হায়রি।

চহি শুদনা গাড়ি থৌবা, লাইসেন্স য়াওদবা হেলমেট উপ্তবা, কাঙখোং অনি পানবা গাড়ি মচাদা মীওই ৩/৪ তোংশিনবনচিংবশিং ফাগৎতুনা ফাইন থিহনগনি। য়াওশং কুম্হৈ অসিদা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোক্তুনা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কয়া মাংহনবা অমসুং অশোক-অপন থোক্কদবা কয়াদগী কন্নবগীদমক ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী মীৎয়েং মখাদা দ্রাইভ অসি চথুগদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনসু চহি নৌরিবা অঙাংশিংদা গাড়ি পীবিগনু অমসুং থৌহনবীগনু হায়খি।

ট্রাফিক্কী রুল ঙাক্তুনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা হরাও-নুংঙাইনা য়াওশং কুম্হৈ পাঙথোকমীন্নবা ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ট্রাফিক পুলিসনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা ডিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মরী লৈনবা প্রাইভেট হোস্পিটালনা মীয়ামদা ফোঙদোরক্কদবনি: মাওইষ্ট

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
খাঙবোক্তগী খুন্দ্রাকপম অবেম্মা কৌবি পীক্লিবী অঙাং অমা লন্নাই হোস্পিটাল অমদা লৈখিদবগী ৱাথোক অসিদা মীয়াম্না হংলিবা ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম মরী লৈনবা হোস্পিটালগী ওথোরিটিনা পীগদবনি হায়না মাওইষ্ট কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা হায়রি।

মাওইষ্ট কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কো ওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হোস্পিটাল অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি কল্লম্বদি য়াই অদুবু মীওই কয়াদগী শেল লৌদুনা অনা লায়েংশঙ অসিনা চথরিবা থৌওং মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফমনি। হোস্পিটাল অসিগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগী চপ মান্নবা ৱাকত্তী অনা লায়েংশঙ অসিনা অনা লায়েংগী মীংদা শেল য়াম্না চঙহন্দুনা মীয়াম্বু ওৎলি হায়বসিনি। পীক্লিবা অঙাং অসি করম্না লৈখিদবনো হায়বদুখক্তা নত্তনা ৱাহং অসিগী পাউখুম হোস্পিটাল অসিনা মাওইষ্ট কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরদা পীফম থোকই। অঙাং অসি লৈখিদবগী মতাংদা চপ চাবা পাউখুম অমা মীয়াম খঙনা পীহন্নিংই লোয়ননা হোস্পিটাল অসিগী ফিষ্ট্রকচরদা অহোংবা অমা অথুবা মতমদা শেমদোক্ত্রবদি লূপ অসিনা হোস্পিটাল অসিবু থিংলোইদবগী মরম লৈব্রা হায়বসি হায়না হংলক্লি।

হোস্পিটাল অসিনা ওপরেসন তৌবগী মিংদা ডিপোজিৎ চাওনা তৌহনবা, ডোক্তরগী ফিনি হায়না শেল য়াম্না লৌবা, রুম চার্জ য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফিশিং মীয়ামদগী লৌরিবশিং অসিনা লাইরবা মীয়ামদদি অৱাবা ওইহল্লে।

লূপ অসিনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অসি হ্যুমেনিটরিয়ান সার্ভিস অমনি হায়না লৌবা ঙমদে। মফমশিং অসি বিজিনেস হপ অমনি হায়না লৌই। লূপ অসিনা অনা-লায়েং শঙশিংদা মীৎয়েং চঙলকপা মতমদা লান্না শন্দোক্তুনা লূপ অসিগী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকই হায়রি। হৌজিক্তি পীক্লিবা অঙাং শিরক্লে। মীওইবগী পুন্সি কনফমনি হায়বগী মীংদা মীওইবগী পুন্সিবু মনতিক্লফম ওইরিবা হোস্পিটাল অসিদা মীৎয়েং চঙফম থোক্লবনি।

খ্বাইদগী লুরিবদি চুম্না মীৎয়েং চঙবনদি অওনবা অমা পুরকপা ঙল্লোই। অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তারক্কনি মতম অদুদা মীয়াম্না লূপ অসিগী মীচংদা লৈবীয়ু হায়রি।

নাকল অমরোমদা মণিপুরগী মীয়াম্না জে এন আই এম এস অমসুং আর আই এম এস অনিদা লায়েংবা চৎতদুনা প্রাইভেট হোস্পিটালদা অনা লায়েংবা চৎনরিবা অসিগী চপ চাবা মরম অদু থিদোক্তুনা হোস্পিটাল অনি অসিদা মীয়ামদা থাজবা থমদ্রিবা অসি কোকহনবা থবকশিং পায়খৎনবা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অসি জে এন আই এম এস অমদি রিমসতদি লৈহনবা ঙমদ্রিবসি করিগীদমক্তনো হায়না হংলক্লি। রিমসতা লৈরিবা ষ্টাফশিং অসিগী খুৎশুমল অসি য়ৌনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমত্তদা ফংবা নত্তে অদুবু রিমস অমসুং জেনিমস অনিদা মীয়াম্না থাজবা থমদ্রিবসি করিগীনো হায়বদু লৈঙাক্না খন্থদ্রগদি লৈঙাক লৈবগী করিবু কান্নরিবগে হায়না হংলক্লি।

লৈঙাক্নসু অনা-লায়েংগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনদুনা মীয়ামদা অফবা পুন্সিরোল পীনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। জেনিমস অমসুং রিমসতা অহোংবা কয়া অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী উরে হায়বসি অচুম্বনি অদুবু মপূং ফানা মীয়াম্না থাজবা ঙল্লব্রা হায়রবদি ঙমদ্রি। লৈঙাক্না অহা-লায়েংদা হেন্না মীৎয়েং চঙবা চঙলি, লৈঙাক্কী ডোক্টরশিংনা লন্নাই অনা লায়েংশঙনা শেল তানবগী চাং হন্থবা লৈত্রি অমদি রিমস অমদি জেনিমসকী ওথোরিটিনা হীরম কয়াদা মীৎয়েং চঙবসু ৱাৎলি হায়রি।

য়াওশং কুম্হৈগী পাউজেল লেপ্তনা পীনরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচ এন এস):
য়াওশং কুম্হৈ হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, আই জি এ আর (সাউথ) অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়ানা য়াইফ পাউচেল পীরক্লি। কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা কুম্হৈ অসিগী মহৌশাগী নিংথিরবা মশক অদু ঙাক্লবা হোৎনসি। য়াওশং কুম্হৈগী মিংদা মতম শাংনা লাংবা, শেল য়াম্না চাদিং তৌবা অমসুং মতম মাংহনবা তোক্লসি হায়রি। সিব সেনা মণিপুর, লোক জনশক্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিট, মণিপুর পিপলস পার্টি, ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কো ওর্দিনেটিং কম্মিটি অমসুং আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল বিরেন্দ্রনসু য়াইফ পাওজেল পীরক্লি।

লিগেল এদ ক্লিনিক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):
নিংথৌখোং খা মল্টিপরপজ কম্ম্যুনিটি হোল ৱার্দ নম্বর ৬ তা লিগেল এদ ক্লিনিক হাংদোকপা অমসুং লিগেল এৱেয়নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমদু মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটি, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটি অমসুং এম ই দি ও নিংথৌখোংনা পূন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা সি ঐচ ব্রজচান্দ চিয়রমেন ডিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটি এন্দ সেসন জজ বিষ্ণুপুর, কে মঙ্গি চিয়রপার্সন নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, কে ঐচ জিবোন এক্স মিনিষ্টর কো ওপরেসন এন্দ আর্ট এন্দ কলচরনা মথংশিংনা থৌরমদুগী চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

দল্লিয়ু লাতা এডভোকেট, টি ঐচ হেমচন্দ্র এডভোকেট, আই জুগেশ্বর প্রিন্সিপাল রোয়ল একাদেমী ওফ লো ওইনামসু থৌরমদুদা রিসোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দল্লিয়ু লাতানা হায়, ঈশ্বরনা নুপী-নুপা চপ মান্ননা শেম্বীরম্মী। অদুবু খুন্নাইসিনা নুপীবু হন্থবা থাক্তা থম্বীরি। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্নদি নুপী নুপা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংলি। চপ মান্ননা রাইট পীরি। অদুবু নুপীশিংনা আইন খঙদবা রাইট খঙদবনা উপায় লৈতবা নত্রগা খঙদবনা হন্থবা থাক্তা লৈরি। নুপীশিংদা মীওৎ-মীনৈ কয়া চথরকপা নত্রগা রাইট ফংদবা মতমদা আইনগী মতেং করম্না লৌগদগে খঙনবা মীওইবগী হক চপ চানা ফংনবা অসিগুম্বা লিগেল এদ ক্লিনিকসিদা উনবা অমদি এৱেয়নেস প্রোগ্রামশিং শরুক য়াবা চংই।

থৌরম অদুদা আই জুগেশ্বরনা হায়, আইনগী মতেং তশেংনা মথৌ তারবা মীওইশিংনা উকিলশিংবু নেকপা মতমদা শেল য়াম্না চঙবা মতম মাংবা কয়া থোক্লি। অদুবু ঙসি হৌদোক্লিবা লিগেল এদ ক্লিনিকসিদা লাকপীরবদি লেম্না শেল তিংদনা আইনগী মতেং ফংবা য়াগনি। লেম্না আইনগী মতেং লৌরে হায়দুনা হেক্তা মাইথিগদবা নত্তে। অচুম্বদি মায় অদুম পাক্কনি। অদুনা মথৌ তাবদা লিগেল এদ ক্লিনিকতা লাকপীয়ু। পারা ভেলুন্টরিশিংনা মথৌ তাবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খি। থৌরম অদুদা নিংথৌখোং এরিয়াগী মীয়াম্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।